হোম গার্দশিংগী পীফম থোকপা দি এ পীথোক্লবা হায় কোর্টনা দিরেক্সন পীখ্রে : ৱাই মঙ্গি

Press Meet
of the
Manipur Home Guard Employees Welfare Association, Imphal
2024

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচএনএস): অহল-লমননা চাক চগ্রিং অমনা চেঙ চেঙকোক অমা মাঙথোকই হায়নবগুম মণিপুরদা হোম গার্দ ওইরিবশিংগী মনুংদা খরনা মখোয়গী ফংফম থোকপা রসন মনিগী শেনফম কুমজা ২০১৮দগী ঙসি ফাওবা ফংদনা লৈরিবা অসি লৈঙাক্লা অদুম পীজরক্কনি হায়রবসু পীরক্তবগা লোয়ননা দ্যুটি এলারেন্স লুপা লিশীং ৪ ওইরগা রসন মনি লুপা লিশীং ১ অসিদগী হেঙ্গৎলকপসু ওইথোক্লরোই হায়খিবদু এসোসিএসননা হোৎনবদগী ওইথোক্লে হায়না মণিপুর হোম গার্দ এমপ্লোয়ীজ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট য়াংলেম মঙ্গিনা থা অসিগী ২৩দা মহাক্কী য়ূমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্কা পাউমীশিংদা হায়, সুপ্রিম কোর্ট অমদি মণিপুর হায় কোর্টকী ওর্দর মতুংইন্না হোম গার্দশিংগী মিনিমম পে অসি পুলিস কন্সটেবলশিংগী ইনিসিএল পে অদু পীগদবনি হায়রকখ্রবসু সভেন্থ পে রিভিজনগী মতুংইন্না চাদা ২৮গী দি এগী মনুংদা চাদা ১৪ খক্তমক ফংলি। অদুবু অতোপ্পা পর্সনেলশিংগীদি কুমজা ২০২২গী এপ্রিলদগী অহুন্নক থোক্লা ফংদুনা চহী অদুগী দিসেম্বরদগী চাদা ২৮ ফংলবসু হোম গার্দশিংগীদি ফংদ্রি হায়খি।

নোংমদা পুং ২৪ মথৌ পাঙথোক্লিবা হোম গার্দশিংনা ফংফম থোকপা মশাগী পে ফাওবা মতম চানা ফংদ্রি। মসিগী মথক্তা থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা বেনিফিট অমত্তা ফংনীংঙাই লৈতবদগী এসোসিএসননা ৱেলফেয়র স্কিম হৌদোক্তুনা থা অমদা লুপা ৫০০ খক্তং সেভিং তৌদুনা হোৎনরিবা অসিসু হোম গার্দ মেম্বরশিংনা থৱায় য়াওনা শরুক য়াগদবনি। মসিদা নত্তনা হোম গার্দশিংগী গাইদলাইন শেম্বীদবা, সিনিয়ারিটি লিষ্ট শেমদবা, ত্রান্সফর পোলিসি লৈতবা অমসুং এমজেলনচিংবা শেম্বীদবশিং অসিসু এসোসিএসনগী মায়কৈদগী শেম্বীনবা তকশিল্লি হায়খি।

মরম অসিনা এসোসিএসননা তূমিন্না লৈথোকপা পামদবদগী মমাঙ চহী ২০২২গী দিসেম্বর ১৬তা কন্মিস্নর (হোম) দা মরমশিং শন্দাক্লা তাকপা চেরোল অমা পীশিন্দুনা সুপ্রিম কোর্ট অমসুং হায় কোর্টনা ওর্দর পীখিবগী মতুংইন্না ফংবসু হৌখ্রবা পেগী শেনফম মখা তানা কুমজা ২০১৮দগী মরম খঙদনা ককথৎপীখ্রবা রসন মনি য়াওনা তরেৎশুবা পে কন্মিসনগী মতুংইন্না ফাইনান্সকী থবকসু পুরিবা চীফ সেক্রেটরিনা ওক্টোবর ১, ২০২১দা থোকপা ওফিস মেমোরেন্দমগী মতুংইন্না হোম গার্দশিংনা ফংফম থোক্লিবা চাদা ১৪গী দি এগী শেনফম পীবিনবা হায়জখ্রে। অদুবু পীবিরক্তবদগী রিট পিটিসন অনী হায় কোর্টতা এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টনা লুচিংবা মীহুৎ মঙানা ফাইল তৌবদগী নবেম্বর ২২, ২০২২দা কোর্টনা খন্নবীরবা মতুংদা ওর্দর পীরকখ্রে। থা অনীগী মনুংদা পীথোক্লবা কন্মিস্নর (ফাইনান্স-পি আই সী) দা দিরেক্সন পীখ্রে হায়খি।

এসোসিএসনগী সাইদতগী হোৎনরিবা থবক থৌরম পূম্নমক হোম গার্দ মেম্বরশিংগীনি। প্রসিদেন্ট মশাগী নত্তে হায়বসি খনবীরগা মেম্বর পূম্নমক্না কো-ওপরেসন পীবিয়ু হায়খি।

চহী ১০ হেন্না শেমজিনবীরক্তবা মৈনো...

লমায় ১গী মখা... লৈরকপদগী লাইব্রেরি কম ইনফোর্মেসন সেন্টর (এল সী আই সী) না মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা শেমজিনবা হৌখিবনি। হন্দক নুমিৎ খরনি লেপ্তুনা নোং চুখিবদা ঈশিং থুমজিনবদগী গাড়ীশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা ঈশিংগী কোমদা থৌদবা অমদি তুশিনবনচিংবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরকপদগী ক্লব অসিনা মৈরা পায়বীশিংগী লূপ ওইরিবা নুপী য়াইফ মরুপকা খূৎশম্নরগা শেমজিনবা হৌবনি হায়রি।

ক্লবসিকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ভিরাননা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা লৈরক অসি শেম্বীনবা হান্নদগী হৌনা লোকল এম এল এদা হায়জখিবা লৈখ্রে। অদুবু শেমগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লগা শেম্বীরক্তবদগী মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা শেমজিনবা হৌবনি। লৈরক অসি শেমজিনবদা নূঙ (বালু সিঙ্গল) গাড়ী ৮ হৈদুনা শেমজিল্লবা মতুংদা লেভেল্লিং তৌখিবনি। মসিগী মখা তারকপদদি লোকল এম এল এনা লম্বী অসি অথুবা মতমদা মখা তানা শেমজিনবীয়ু হায়খি।

ক্লব অসিগী ফাইনান্স সেক্রেটরি মাইবম হিটলর অমদি জেনরেল সেক্রেটরি হুইদ্রোম বিজেন্দ্রনা ফোঙদোরকখিবদনা লৈরক অসিগী নাকলদা লৈরিবা দ্রেনেজ সিষ্টম অসিসু ফেল ওইরে। মতম মতমগী ওইনা শেংদোকপসু তৌবীদ্রে। ক্লবনা শেংদোক্তুনা লাক্লবসু দ্রেনশিংগী ফীভম অসুক্কী মতিক ফত্তবনা নোং খজিক্তং চুবগা লৈরক অসি ঈশিং থুন্মী। মসিনা লায়না-তীলনা কয়াসু পোকফম ওইরে। হন্দক্তসু লৈকায় অসিগী মীওই কয়া দেঙ্গি লায়নানা নাখি। অদুগা ক্লবনা ষ্ট্রিট লেম্পশিংসু থাঙ্গবনি। মসি থানবদা থা অমদা লুপা লিশীং ৩ হেন্না চঙই। মরম অসিনা লৈরক অসি অনৌবা এম এল এনা য়েংশিনবীরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্লকখিবনি, অদুবু থাজবা মাঙলে। অদুবু লৈরক য়াওনা দ্রেনেজ অমদি ষ্ট্রিট লেম্পকী মতাংদা য়েংশিলহন্নীংই। শেম্বীগদবা ওথোরিটিনা শেম্বীরক্তবদগী লৈকায়গী মীয়াম অমসুং মৈরা পায়বীশিংনা শেল খায়জিন্নরগা শেমজিঙবনি। মখা তানা এম এল এনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙহন্নীংই হায়রকখি।

কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচএনএস): হয়েং নবেম্বর ২৮দা ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট, থৌবালদা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ১০, বিষ্ণুপুর অমদি ককচীংদা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	91.091343
US Dollar	83.341872
British Pound	105.181169
Australian Dollar	54.968589
Chinese Yuan Renminbi	11.706888
Japanese Yen	0.559742
Malaysian Ringgit	17.806463
Singapore Dollar	62.270614
South Korean Won	0.064074
Saudi Arabian Riyal	22.224499
Thai Baht	2.375686

মণিপুর মীয়ামগী খাই চেঙ (মণিপুর পিপলস...

লমায় ১গী মখা... লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটতগী অয়াবা পীরক্তে হায়দুনা সেন্টর অসি ছো লোনশিন্দুনা পাঙথোকহনখিদ্রে। মণিপুর পিপলস এসেমব্লিগী প্রিপরেটরি কন্মিটিগী মতুংইন্না মণিপুর মীয়ামগী খাই চেঙ হায়রগসু খঙনরিবা মণিপুর পিপলস এসেমব্লি অসি পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কাঙলূপ, লূপ অমদি লন্নাই মীওইশিংদগী হৌজিক ষ্টেট অসিদা ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা মণিপুরবু মহৌশাগী তংদু-লৈতাবা ফীভমদা অমুক হন্না পুরক্লবগী ৱাখৈরোল অমা পুরক্লবা থৌরাংলম্বনি। ঙসিগী মীফম অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লম্দা শক্লাইরবা মীওই কয়াসু চেবাউ পীবদগী শরুক য়ানবা লাক্লখিবনি।

৭৪শুবা কন্সটিট্যুসন দেগী থৌরমশিং...

*লমায় ১গী মখা...*কোর্ট অসিগী জষ্টিস এ গুনেশ্বরনা মণিপুর অসি পীকচরবসু জজমেন্টগী ক্বালিটি য়াম্না লৈ হায়রদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ঙসি ফাওবদা লৌরক্লিবা থৌদাংশিং পল্লদুনা এম য়ুদা ক্বালিটি এদ্যুকেসন পুরক্লবগী পীখিবা জজমেন্ট নৌহৌননা নীংশিংখি। অদুগা হৌরক্লিবা এদভোকেট, জজ অমদি লোগী মহৈরোয়শিংদা মতেং খরদা ওইরবসু পীনবগীদমক ঈ-জর্নেল অথুবদা পুথোক্লবা শেম শারে। মণিপুরগী কোর্ট খুদিংমক্তা 'মেদিএসন সেন্টর' হাংনীংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মসিগী প্রপোজেল অমসু সুপ্রিম কোর্টতা থাখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, কন্সটিট্যুসন দে অসি হান্না নেসনল লো দে হায়না থৌরম পাঙথোক্লম্বনি। লৈবাক অসিদা চৎনরিবা কন্সটিট্যুসন অসি নবেম্বর ২৬, ১৯৪৯দা এদোপ্ট তৌরবা মতুং জন্যুৱারী ২৬, ১৯৫০দগী চৎনবা হৌরকখিবনি।

থৌরম অসিমক মণিপুর লৈঙাক্কী লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রস লোয়শঙনসু শীন্দুনা নম্বোলগী পব্লিক থিএটরগী হোলদা ঙরাং পাঙথোকখি। থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রস মিনিষ্টর থৌনাওজম বসন্তকুমারনা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন অসি মীয়ামগী মীহুৎশিংনা ফজনা ঙাক্লা চৎলবদি মালেমদা খ্বাইদগী ফবা কন্সটিট্যুসন অমা ওইগনি হায়খি।

মীয়াম্না ব্লোকেদকী অৱাবা মায়োক্নদনবা 'প্রিভেন্সন ওফ বন্দ এন্দ ব্লোকেদ, ২০২৩' হায়বা বিল অমা কেবিনেটনা পাস তৌখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমগী ময়ায় তাংবল লৌখিবী কন্মিস্নর (লো) নুংশিতোম্বী অথোকপমনা মীয়ামদা লো দিপার্টমেন্টনা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন হেন্না খঙহন্নবগীদমক মীতৈ ময়েক্তা হন্দোক্তুনা ফোঙলে হায়নসু পাউদমখি।

থৌরমগী ইকায়খুম্নবা মীথুংলেন ওইখিবা ওল মণিপুর বার এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট পি তোমচা মীতৈ এদভোকেটনা মণিপুরবু চাওখৎ লম্বীদা পুরক্লবগীদমক মীয়াম্না কন্সটিট্যুসন খঙগদবনি। ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অসি ফন্দামেন্টেল রাইটস অমসুং দ্যুটিজ খঙদবশিংনা থোকহনবনি হায়খি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী থবক্তগী পোত্থারবা জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনসু থৌরম অসিগী অখন্নবা মীথুংলেন ওইরদুনা মীয়াম্না লোবু লৈঙাক খক্তনা শীজিন্নবনি খনবীগনু। লো হায়বসিদি মীয়ামগীনি। স্কুলদা অঙাংশিংগী সিলেবসতা ফাওবা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন অসি হাপ্তুনা মমুৎ তানা খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরক্লিবশিংনা শাবা পোৎ-চৈশিংগী...

*লমায় ১গী মখা...*সেলস ইভেন্ট অসি লৈঙাক্কী রুরেল দিভেলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদস মিন (এম এস আর এল এম) না শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দগী ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবনি।

ইনমেটশিংনা শাজবা পোৎলমশিং য়োনবগী ইভেন্ট অসিদা বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচীং, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইষ্টকী রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরক্লিবশিংনা শরুক য়াখি। পূন্না ষ্টোল ৭৩ লৈখিবা ইভেন্ট অসিদা মরু ওইনা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্টসকী পোৎলমশিং য়াওনা অঙাংগী শান্নপোৎশিং, দিশ ৱাশ, চান-থক্লবা পোৎলমশিং, অচার অমসুং ধুপ অমদি কেন্দলনচিংবা য়াওখি।

পনবা য়াবদি মেলা অসি হৌদোকপা নুমিৎতা পাউ ফাওদোক্লহৌদবদগী খরা থেংনা হৌখিবা মরম্না ইনমেটশিংনা শাজবা পোৎলমশিং মপূং ফানা য়োঞ্জবা ঙমখিদবদগী নোংমা চোন্থনা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অসিবু শীনখিবা এম এস আর এল এমগী মায়কৈদগী পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবদা হন্দক্কী অহানবা মেলা অসিদা ইনমেটশিংনা শাজবা লুপা লাখ ৭ লোমগী পোৎ-চৈশিং য়োনখি । হৌজিক ওইরিবা মীয়ামগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম্না মরম ওইরদুনা মী য়াম্না পোৎ লৈবা লাক্লুখিদে। অদুবু য়োলহৌদবা হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফ্টকী পোৎ-চৈশিং অদু হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফ্টকা মরী লৈনবা লোয়শঙনা লৈশিনবীখ্রে হায়রি।

অসিগুম্বা মখলগী মেলা অসি মখা তানা পাঙথোরকখিগদ্রা নৎত্রগা পাঙথোক্লোইদ্রা হায়বা হৌজিকমক্কীদি খঙবা ঙমদ্রি। মেলা হৌবা নুমিৎতা কুকিশিংগী পোৎলমশিং য়োন্ননবা অতোপ্পা ফুরুপকী মীওইশিংনা পুরকখিবনি হায়না ফোঙদোক্লখিবা অদু অরানবা ৱাফমনি। ফুরুপ অমত্তনা কুকিশিংগা মরী লৈনবা লৈখিদে। লোয়শঙগী মায়কৈদগী তঙাইফদনা পাঙথোক্তবা য়াদবদগী মীয়ামগীদমক য়েংলগা পাঙথোকখিবনিনা পাউ ফাওদোক্লহৌদবশিং অদু ৱাখল তামিন্নরগা ঈংথমিন্নখ্রে হায়রি।

মেলা অসিগী অরোইবা নুমিৎতা পোৎ লৈবা লাকখিবা মীওই অমনা হায়খিবদা, লানগী চৈথেং চাউনা ফংলবা, ময়ূম-মকৈ মৈ থাদোকপীখ্রবা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংনা অসিগুম্বা পোৎ-চৈ কয়া শাদুনা অনৌবা ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা শেন্মীৎলোন্দা খজিক্তং ওইরবসু কান্ননবা হোৎনরকপদা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা মেলা অসিদা পোৎ-চৈশিং লৈবা লাকখিবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

[illegible] / Certificate Lost

I have lost my Original Certificate of HSLC Exam, 2022 bearing Roll No. 28270 issued by BOSEM on the way between Malom and Keishampat on 20th Nov. 2023.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Abujam Priyojit Meetei
8414806116

HL-P/8658/28

[illegible]/43rd ANNUAL GENERAL BODY MEETING

হৌখিবা তাং ২৫/১১/২০২৩, থাংজ নুমিত্তা The Manipur Women's Co-Op. Bank Ltd. Imphal গী নিফুম্হুমদোইরক শুবা Annual General Body Meeting J.N. Manipur Dance Academy, Imphal দা পাঙথোকখ্রে।

HL-P/8681/28
Sd/- General Manager

[illegible] / Admit Card Lost

I have lost my Original Admit Card of Ist Semester of O.T. Technology, bearing Roll No. 2219030 of 2022 issued by B.M. University on the way from Thangmeiband to Keishamthong on 25th Nov. 2023.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Khumukcham Brenson Singh
Keishamthong Thangjam Leirak.

HL-P/8682/28

[illegible]/HELPER অমা পামজৈ

New Delhi দা লৈরগা য়ুমগী থবক ইনখাং তৌবীনবা মশাগী চহী ২৩গী মখাদা লৈবী নুপীমচা পামজৈ। মশাগী Identity proof/Aadhaar Card নীংথিজনা লৈবা ওইনা পামজৈ। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

HL-P/8675/28
9958558272

[illegible]

[illegible]

ম্যান্মার লান্মীগা লালহৌবশিংগা মফম...

লমায় ১গী মখা... রখাইন ষ্টেটকী টাউনশিং খুদুম চনশিনবা ঙমখ্রে। মসি খক্তা নত্তনা ব্রদরহুদ এলাইএন্সতা য়াওরিবা লালহৌবশিংনা লৈবাক অসিগী শগাইং অমসুং মন্দলে য়ৌশিল্লকখ্রে। ব্রদরহুদ এলাইএন্স অসিদা ম্যান্মারগী খ্বাইদগী মপাঙ্গল কল্লবা লালহৌলূপ অমা ওইরিবা কাচিন ইন্দিপেন্দেন্ট আর্মি (কে আই এ) য়াওনা নেসনল য়ুনিটি গভর্ণমেন্ট (এন য়ু জি) গী মখাদা পিপলস দিফেন্স ফোর্স (পি দি এফ) অমদি কারেন্নি নেসনেলিটিজ দিফেন্স ফোর্সনচিংবনসু মতেং পাংশিল্লি। ম্যান্মারগী চীন ষ্টেটতদি চিন নেসনল ফ্রন্ট (সী এন এফ) কী খূৎলায় পায়বা খূৎপু ওইরিবা চীন নেসনল আর্মি (সী এম এ) না লৈবাক অসিগী ফালম অমসুং টেদ্দিমদা লৈবা ম্যান্মর লান্মীগী লৈফমশিংদা টার্গেট তৌরকপদা নত্তনা ইন্দিয়াগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা লৈরিবা ফালম টাউনশিপকী রে খো দা টাউন মপূং ফানা খূদুম চনশিনখ্রে। হায়রিবা থবক অসি লালহৌলূপশিং অসিনা থা অসিগী ১৩দা মায় পাক্লা পাঙথোকখিবনি। অদুগা মসিগী মতুং হৌখিবা ইরাই নুমিত্তনা লালহৌলূপশিংনা মতুপি টাউনশিপকী লাইলেনপি টাউনসু মখোয়গী খূবাম্নুংদা থমখ্রে।

অদুগা থা অসিগী অহৌবা চয়োলদনা কে আই এ, এ এ, পি দি এফ অমসুং চীনগী লালহৌবশিংনা নুমিৎ কয়ানি চুপ্পা ম্যান্মার লান্মীগা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্নরবা মতুংদা লৈবাক অসিগী শগাইং রিজনগী খাম্পাৎ অমসুং কোলিন টাউনবুসু লৌশিন্দুনা মখোয়না কন্ট্রোল তৌরকখ্রবনি।

হৌজিক ফাওবদা মমাঙ থাগী ২৭তগী ম্যান্মারগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা লৈবা লালহৌবশিংনা চথুরকখিবা অকনবা লান্দাশিংগী মনুংদা লৈবাক অসিগী লান্মীগী অৱাং থংবা শান ষ্টেটতা লৈরিবা টাউন মরি অমসুং জুন্তা (হুন্তা) মিলিটরিগী লৈফম ২২৪ খুদুম চনবা ঙমখ্রে হায়না ক্লেম তৌরক্লিবনি। লালহৌবশিংনা ম্যান্মার লৈঙাক্কী মখূৎতগী ম্যান্মার অমসুং চাইনাগী মরক্তা লল্লোন ইতিক্কী খ্বাইদগী মরু ওইবা লম্বীশিংগী ষ্ট্রেটেজিক সেন্টর খরা ফাওবা মুন্দুনা লৌরগা মখোয়না কন্ট্রোল তৌখ্রবনি।

মীতৈ/মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইনবগী মিস্দ কোল...

*লমায় ১গী মখা...*কেম্প্যেন অসি চথরিঙৈ মনুং হায়বদি থা অসিগী ২০দগীনা মথং থাগী ২০ ফাওবদি লৈকায় লৈকায়দা লৈবীরিবা ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি ওর্গনাইজেসনশিংনা ইশাগী ইথৌদাংনি খন্না মীপূম খুদিংমক মিস্দ কোল পীহন্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌবীয়ু। লোয়ননা লাউদ স্পিকর লৈবা ক্লব/ওর্গনাইজেসন খুদিংমক্লসু কেম্প্যেন অসিগী মতাংদা য়ারিবমখৈ লাউথোক্তুনা মীয়ামদা তাহনবীয়ু। মসিগী মথক্তা মণিপুরগী অমদি ইন্দিয়াগী ৱাংমদা লৈবীরিবা অহল-লমন, মরুপ-মপাং, ইমা-ইবেল, ইচল-ইচে খুদিংমক্লসু মাস মিস্দ কোল কেম্প্যেন অসি মায় পাকহনবীয়ু হায়রি।

কেম্প্যেন অসিগীদমক থৌদাং লৌজরিবশিংনা মীতৈ (মৈতৈ) ত্রাইব য়ুনিয়ন (এম এম টি য়ু), ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল (দব্লিয়ু এম সী), কংলৈপাক কনবা লূপ (কে কে এল), সলাই কনবা লূপ (এস কে এল), সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কন্মিটি মণিপুর (এস টি দি সী এম) অমসুং গ্লোবেল মীতৈজ দাইসপোরানা মীপূম খুদিংমকপু থাগৎচবগা লোয়ননা মীতৈ/মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব ফংদ্রিবা ফাওবা পূন্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

[illegible]/ LOAN AVAILABLE

1. TWO WHEELER LOAN
2. THREE WHEELER LOAN
3. FOUR WHEELER LOAN

- No Guarantor Required
- Less Documentation
- Minimum Down Payment
- One Day Delivery

Please Contact :-
IMPHAL FINANCE
HO-Loklaobung, BO- MG Avenue, Paona Bazar,
Bishnupur Bazar and Thoubal Bazar
Phone No :- 8258919191

For Member only

(HL-P/8621/21/11 to 20/12)

[illegible]
The Four Pillars Coaching Institute
Empowering Aspirants
A complete guidance for all competitive exams
UPSC, MPSC, SSC - CGL, CPO, CHSL, MTS, SBI, IBPS, RRB - PO, CLERICAL, RAILWAYS, INSURANCE, CSAT, TET, CTET, CDS, CPF, LIC, Government and PSU jobs etc.
Grab the opportunity to learn from the top faculties of Manipur
Congratulations Dear Aspirants !!!

GENERAL FOUNDATION COURSE
For SSC, Bank and Other Exams.
- Duration Of Course - 7+ Months
- Morning Shift : 6:00 am to 8:00 am | 27th November, 2023
- Morning Shift : 8:15 am to 10:15 am | 22nd November, 2023
- Afternoon Shift : 2:00 pm to 4:00 pm | 29th November, 2023

GENERAL STUDIES COURSE
For UPSC, MPSC, CAPF AC, CDS and other Exams.
- Duration Of Course - 6 Months
- Morning Shift : 8:15 am to 10:15 am | 27th November, 2023

MATHS SPECIAL COURSE For SSC, Bank and Other Exams.
- Duration Of Course - 7 Months
- Noon Shift : 11:00 am to 1:00 pm
20th November, 2023

Contact :
7005755924
9862697900

Hostel and Rent Facilities for Both Gents & Ladies
* Get Registered at our Office for 5 Free Demonstration Classes
For Queries: 7005755924, 9862697900 OFFICE ADDRESS : SAGOLBAND MOIRANG LEIRAK MACHIN.

HL-P/8473/18/11-17/12

INNOVEGIC GLOBAL INSTITUTE

JOIN THE FREE
3 DAY INTERVIEW SKILLS
TRAINING WORKSHOP

27th Nov, 2023 to 29th Nov, 2023

* Cabin Crew & Ground Staff Interview Skills.
* Grooming Skill as per Aviation Standard
* Soft Skills
* Personality Development
* Crew Walk

More details:
7005214205 / 9366338477

OLD LAMBULANE, OPPOSITE G.P WOMEN'S COLLEGE (HEAD OFFICE)
KEISHAMPAT HODAM LEIRAK MACHIN (BRANCH OFFICE)

HL-P/8375/4/11 to 4/12

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
[illegible]
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College, Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for
CLASS -XII Sc. (COHSEM) 20th Nov, 2023 4:00/4:30pm
&
CLASS -X (BOSEM) 2nd Week of Dec, 2023 4:00/4:30pm

18TH POSITION
Yumnam Hemlan
MECI Explorer Academy

20TH POSITION
Bhumika Rajkumari
COMET School

FOUNDATION COURSE
CLASS-IX & X (BOSEM)
2nd Week of Jan, 2024

86.4 %
Ranjan Chungkham
MECI Explorer Academy

86.4 %
Bonita Laishram
COMET School

Form available at :
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm - 7:30pm)
9233836426
7085521821

HL-B/8348/22-30 nov., 2-31dec & 3-22jan (alt.)